য়াইরিপোক কেক্রুদা ভেক্সিনেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এনএস): ৱাংখেম এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ঙরাং কেক্রু মোহম্মদন য়ুনিয়ন ক্লব (কে এম য়ু সী), য়াইরিপোক কেক্রু, ভারোতনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীওই ১৮২ দা মায় পাক্লা অমসুং অশোয় অঙাম অমত্তা য়াওদনা কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকখি। লোয়ননা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিবু মায় পাকহনবদা শরুক য়াখিবা মীওই পূম্নমকপু ক্লব অসিগী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ...

লামায় ১গী মখা... কুঞ্জ ৱেলফ্যের ক্লবকী মতেংগা লোয়ননা এল কে মোইরাং সুবেদার লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি। মফম অসিগীনা চোংথাম হেরোজিৎ (৯৩৮৩৩৫২৩০৫) না লোকল কন্টেক্ট পর্সন ওইগনি। অদুগা লংথবাল কুঞ্জ মখা লৈকায়গীনা ক্লব অসিগা খূৎশম্নদুনা তৌপোকপী কৈথেলদা পাঙথোক্কনি। মফম অসিগীনা চোংথাম ধনচন্দ্র (৯৮৬২৭৬৫৯৬৩) না লোকল কন্টেক্ট পর্সন ওইগনি হায়রি।

ইন্টেন্দিং...

লামায় ১গী মখা... তানা অসুমক চৎখিবা তারবদি লৈবাক অসি করম্বা ফীভমদা চৎখিবা য়াই হায়বদু ঐখোয় খুদিংমক্না খন্থমিন্নবগী মতম অদু ওইরে। করি-করম্বা শেম্হোক লম্বী লৈবনা য়াম্না চাওবা স্কেলদা অসিগুম্বা থবক অসি চৎথরক্লিবনো খল্লুবদা অঙকপা অমদি অকিবা অমসু ফাওই। অসিগুম্বা থৌওং অসি অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোকখ্রবদি মণিপুরগী অপুনবদা চাওনা কায়রকপা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা মীয়ামদা করপসন তম্বিবা হায়বদু থোক্কনি। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনসু অসিগুম্বা থবকশিং অসিদসু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই। তোপ-তোপ্পা হান্নদগী কৈশামথোং এ সী অমা ওইনা লৈরকপা অদু কায়দ্রি হায়বদুসু পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.494796
US Dollar	74.509866
British Pound	103.608241
Australian Dollar	55.778114
Chinese Yuan Renminbi	11.500003
Japanese Yen	0.676822
Malaysian Ringgit	17.778130
Singapore Dollar	55.144967
South Korean Won	0.065113
Saudi Arabian Riyal	19.869297
Thai Baht	2.290276

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48081.00
Mumbai	–	Rs	48005.00
Delhi	–	Rs	47767.00
Kolkata	–	Rs	47890.00

GAS NEWS

PATSOI INDANE
BOOKING UPT0 20/05/2021
VALID FROM 23/04/2021
STOCK 306 DBTL ONLY
Pls DON'T, COME AT OFFICE
HOME DELIVERY Only
SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO 07-06-2021
VALID FROM 28-05-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 11-07-2021
CONTACT NO 7005695308, 6009772483
POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 16/04/21
Valid from 06/04/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814.
DRIVER WANTED FOR HOME DELIVERY pls contact office(salary+incentive)
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837./ 9089542175
Enquiry no. 9856134465
KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Bk.upto 19-06-21(sl.upto 46818)
Home delivery contact no:9366471778
8974087390/8413933495
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 17-06-21
B/upto - 19-06-21
Stock 306
7am to 10am

হায় কোর্টকী নোর্মেল ফঙ্কসনশিং জুলাই ২০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস) : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল গোলমৈ গাইফুলসিল্লুনা ঙসি থোরকপা নোটিফিকেসন নম্বর ১২১গী মতুংইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা থম্লকখিবা কর্ফিয়ুগী মতম থা অসিগী ২০ ফাওবা শাংদোকহল্লকখিবা অমসুং অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং থম্লকখিবা অসিগী য়েংলদুনা কোর্ট অসিগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা পাঙথোরকপা কেসশিংগী হিয়ারিং য়াওনা নোর্মেল ফঙ্কসনিংশিং থা অসিগী ১৩দগী ২০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না কোর্টঅসিনা থা অসিগী ১৩, ১৪, ১৫, ১৬ অমসুং ২০দা হিয়ারিং পাঙথোক্নবগীদমক লিষ্ট তৌখিবা কেসশিং অদু সেপ্টেম্বর ২৩, ২৪, ২৭, ২৮ অমসুং ২৯দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি। লোয়ননা চৎলিবা থা অসিদা লিষ্ট তৌগদবা ইন্টরিম ওর্দরশিং অদুসু কেসশিং অসিগী মথংগী হিয়ারিং পাঙথোক্নবগীদমক লেপ্লিবা মতমশিং অসি ফাওবা চৎনরগনি হায়রি। হায় কোর্ট অসিখক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী কোর্ট/ ট্রাইব্যুনেলশিংগী থবক থৌরমশিংসু থা অসিগী ১৩দগী ২০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌরগনি হায়রি।

মীওই ৭০০ টেষ্ট তৌবদা ৫০০ ...

লামায় ১গী মখা... তৌরকখিবা ভিদিও অদু পি ৱাই দব্লিয়ু ও (প্রোগ্রেসিভ য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন) কৌবা ৱাটসএপ গ্রুপ অমদগী লৌবনি হায়বসু খঙবগা লোয়ননা হায়রিবা ৱাটসএপ গ্রুপ অসিদা ভিদিও অসিবু অপলোদ তৌরকখিবনা সেকমাই লাইপাৎতগী থৌদেম বিক্রম (৪৩) অপোকপা থৌদেম কুল্লনি হায়বসু খঙবা ঙমখি। লোয়ননা মখা তানা কেস অসিগী মতাংদা থিজিনবদা ভিদিও অসি নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকায়দগী শৌগ্রাকপম জোনসন (৩৪) অপোকপা এস গম্ভির কৌবা মীওই অমনা শেম শাবনি হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

মহাক্না তাকয়েল খোংবান ৱার্দ নম্বর টুদা পাঙথোকখিবা কোভিদ টেষ্টিং অদুগী অরানবা দেটাশিং কমেন্টরি ওইনা পীখিবনি। মরম অসিদগী চেন্নরিবা মীওইশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না লৌখৎপা কেস অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা কোভিদ পেন্দমিককী অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীপাইহনবগীদমক ফাগৎলে হায়রি।

লোয়ননা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. এস ইবোমচানা থৌদোক অসিগী মতুংদা মীয়াম্না অসিগুম্বা অরানবা কোভিদকী ঈ-পাউশিং শন্দোকপীদনবসু আপীল তৌখি।

জেনোমিক্স কন্সোর্টিয়ম সিক্বেন্সিং ফেসিলিটি ...

লামায় ১গী মখা... হায়খি।

মহাক্না আই বি এস দি ইম্ফালনা সারস-কোভ-২গী জেনোমিক ভেরিএসনশিং মোনিটর তৌনবগীদমক লৈরিবা নেসনল লেবোরেটরি ২৮গী কন্সোর্টিয়মগী শরুক অমা ওইনা আই বি এস দিনা রিজনেল সিক্বেন্সিং লেবোরেটরি অমা ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়বদা, সিক্বেন্সিং অসিনা মরী লৈনবা ভেরিএন্টশিংগা লোয়ননা হোটস স্পোট মশক খঙদোকপা অমসুং পব্লিক হেল্থ ফগৎহন্নবগীদমক চপ চাবা থবক লৌখৎনবগী অকক্নবা ইনফোর্মেসনশিং পীবদা মতেং পাংলগনি।

খোমজিল্লবা দেটাশিং এনালিসিস তৌবনা পব্লিক হেল্থ ফগৎহনবা অমসুং হীদাক কাপথোক্নবগী য়াওনা ম্যুটেসন ইনফ্লুএন্স ট্রান্সমিসন, ক্লিনিকেল আউটকমশিং, সেবরিটি অমসুং ইম্পেক্টকী মতাংদা লেপথোক্নবগী থিজিনবদসু মতেং পাংলগনি হায়খি।

জেনোম ভেরিএন্টশিংগী মতাংদা খঙদোকপনা তুংদা ভেক্সিনশিংদা মপাঙ্গল কনখৎহনগনি অমসুং লৈবাক অসিদা সারস-কোভ-২গী অনীশুবা ভেরিএন্টশিংগী মশক লাকশিনবসু ঙম্লগনি হায়খি।

ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি) ইম্ফালনা নেসনল লেবোরেটরি ২৮গী কন্সোর্টিয়মগী শরুক অমা ওইরকপা অসিনা হৌজিক গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী সিক্বেন্সিং ফেসিলিটি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ডা. সাপম রঞ্জন, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমার, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) ভি ভুমলুনমাং, আই বি এস দি ইম্ফালগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোককুমার মুখর্জি অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি আই বি এস দি মণিপুর অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী মখাদা লৈরিবনি। আই বি এস দি অসিনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা ইন্সাকোগ ফেসিলিটি হৌদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা ইন্সাকোগ অসিনা লায়না অসিগী দাইনামিক অমসুং সেভরিটিগী মতাংদা খঙদোক্নবগীদমক ক্লিনিকেল সেম্পলশিং সিক্বেন্সিং তৌনবা টার্গেট থম্লি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী অশেংবা লোকল শরেং পুথোক্নবা হোৎনবা ঙামীশিংদা পীবা লোনগী শেনফমগী মনুংদা চাদা ৫০দি গ্রান্ট ওইরগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ফিসরিজ লোয়শঙনা শীন্দুনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা লোয়শঙ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ২১শুবা ফিশ ফার্মরস দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০২০গী ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপকী ঙা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপগী চাংদম্নবদা মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা অমদি সর্টিফিকেটনচিংবা পীদুনা ঙামীশিংগী পূক্নিং থৌগৎখি।

মনা পীখিবশিং অদুগী মনুংদা গ্রুপকী ওইবা অপূনবা ফার্মদা ঙা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকখিবা ভেল্লি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদগী উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়গী ফিশরমেন কোওপরেটিভ ফেদরেসন লিমিটেদ, মণিপুরনা ঙা কিলো ৯,৪৪৫ পুথোকপা ঙম্বগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ১ অমসুং সর্টিফিকেট পীখি। নাইতোম ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না ঙা কিলো ৮,৪৬০ রোম পুথোকখিবগী অহানবা মনানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোর্দাক্তগী ওইনাম জেনিসতা লুপা লাখ ১গা সর্টিফিকেটকা খূৎশিন্নখি। অনীশুবা মনানা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাংদগী এন জাদুমনিনা ঙা কিলো ৭৩৬০ পুথোকপা ঙম্বগীদমক লুপা লিশীং ৭০ অমসুং সর্টিফিকেট পীখি। অহুমশুবা মনা ফংখিবা ঙামীনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পুরুলদগী ভিক্টর দানিনা ঙা কেজি ২,৮০০ রোম পুথোকখিবগীদমক লুপা লিশীং ৫০ অমদি সর্টিফিকেট পীখি। মসিগী মথক্তা ইন্দিজিনস ঙা কেজি ২৬৬০ রোম পুথোকপা ঙমখিবা খোর্দাক্তগী ওইনাম জেনিসনা লুপা লিশীং ২০গী মনা অমদি সর্টিফিকেট ফংখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগুম্বা ঙাগী দিমান্দ য়াম্না লৈবা মফমসিদা বাইওফ্লোক শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপা অসি হেন্না চাওখৎহনবা অমদি পাকথোক চাওথোকহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙা য়োক্লিবশিংনা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা সেন্টরগী শেন্থং মখাদা লুপা ক্রোর ১৬৪ রোম পীগদবা অদুগী মনুংদা অশেংবা ঙামীশিংদা লুপা ক্রোর ১৯ রোম ফংহন্নবা হোৎনরি। শেনফমশিং অসি ফিশরিজ লোয়শঙনা কূপ্না সর্ভে চথরবা মতুংদা বেনিফিসরিশিং অসিদা পীগদবনি হায়খি।

নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্তুনা পেন্দিং কেস ২৮...

লামায় ১গী মখা... লোক অদালটশিং অসি ভচ্যুএল অমসুং ফিজিকেল মোদ অনীমক্তা তুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লোক অদালট অসিগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মসলসানা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা বেঞ্চ অহুম লৈখি। হায়রিবা বেঞ্চ অহুম্মক অসিগী প্রোসিদিংশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা ঈ-ওনলাইন মোদতা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী ওইনা কন্সটিট্যুট তৌখিবা বেঞ্চশিং অদুগী চ্যেরমেন অমসুং মেম্বর এদভোকেটশিংনা মথংশিংনা অহানবা বেঞ্চতা মাইবম মনোজকুমার (রিটয়ার্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ) অমসুং সী ঐচ নন্দনা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বর ওইখি। অনীশুবা বেঞ্চতনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট আর কে মেমচানা চ্যেরপর্সন ওইরগা এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা মেম্বর ওইখি। অদুগা অহুমশুবা বেঞ্চতনা এ নৌতুনেশ্বরি (রিটয়ার্দ-দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ) না চ্যেরপর্সন ওইরগা এদভোকেট সী ঐচ মোমোননা মসিগী মেম্বর ওইখি হায়রি।

পাঙথোকখিবা ওনলাইন লোক অদালট অসিদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা বেঙ্ক অমসুং ইন্সুরেন্স কম্পেনিশিং অমদি পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুকয়াখি। থবক অসি হৌজিক মায়োক্নরিবা ফীভম অসিগীদমক য়েংলদুনা পার্টিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওনহন্নবগীদমক লৌখৎখিবা থবকনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালটশিং অসিদা পন্দুনা লৈরকখিবা কেস ২৮ (ক্রিমিনেল কেস -৬, সিভিল কেস - ৫, এম এ সী টি কেস -১০, ফেমিলি মেট্টর - ৭) দিস্পোজ তৌখিবগা লোয়ননা প্রী-লিটিগেসন মেট্টর ১০২ (বেঙ্ক রিকোভরি কেস - ৯৮ অমসুং অতৈ মেট্টর - ৪) সু সেট্টল তৌদুনা লুপা ১,৪৩,৭৯,৮০৩গী শেনফম সেট্টল তৌবা ঙমখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগীদমক য়েংলদুনা কনভেন্সনেল ফিজিকেল লোক অদালটশিং অদু অচম্বা ভিদিও কনফরেন্সিং এপ্লিকেসনশিং শীজিন্নদুনা ঈ-লোক অদালট ওইনা ওন্থোক্তুনা পাঙথোকপনি। অসিগুল্লবা তাঞ্জা অসিদা পাঙথোকখ্রিবা লোক অদালটশিং অসিনা মতম য়াম্না চঙহন্দনা অমসুং শেল তিংহন্দনা দিসপ্যুটশিংগী অরোইবা ৱাতুপ্পবশিং পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালটশিং অসিগী মথক্তা মতম মতমগী মতুংইন্না মসলসানা রেগ্যুলর ষ্টেট লোক অদালটশিং সেপ্টেম্বর ১১ অমসুং দিসেম্বর ১১দসু পাঙথোক্কনি হায়বগা লোয়ননা মসিদা মীচম মীয়াম, গভর্ণমেন্টগী দিপার্টমেন্টশিং, প্রাইভেট ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং অতৈ বোদিশিংনা মখোয়গী কেসশিং মসলসা নৎত্রগা দি এল এস এশিংদা রিফর তৌরক্তুনা কেসশিং অদুগী লৈরক্লিবা দিসপ্যুটশিং লোক অদালটশিংগী খূত্থাংদা শেল তিংদনা ৱাখৈনবা অমা পুরক্নবগীদমক হোৎনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালটশিং অদুদা শরুক য়াখিবা প্রিসাইদিং ওফিসরশিং, জুদিসল ওফিসরশিং, এদভোকেটশিং, কেসকী পার্টিশিং, বেঙ্ক/ইন্সুরেন্স কম্পেনিশিংগী ওফিসলশিং অমসুং পাউমীশিংদসু মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙসি ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা লোক অদালটশিংগী মনুং চন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতসু তোঙান তোঙানবা বেঞ্চ অনী থমদুনা লোক অদালটশিং পাঙথোকখি।

অহানবা বেঞ্চনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ এন কিরকিচান্দনা প্রিসাইদ তৌরগা চুড়াচান্দপুর বারগী প্রসিদেন্ট লালরিনছনা বৌৱিটলুং অমসুং এদভোকেট সোংজামাং তোম্বীংনা মেম্বরশিং ওইখি। বেঞ্চ অসিনা প্রী-লিটিগেসন কেস ৭ লৌখৎখিবগা লোয়ননা পঞ্জাব বেঙ্ক, কানাড়া বেঙ্ককী দিফোল্টরশিংগী লুপা ৮৯,৪,৫৯৪.১৫ সেট্টল তৌখি।

অনীশুবা বেঞ্চনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট জাংগৌলেন হাওকিপনা প্রিসাইদ তৌরগা এদভোকেট লিংনৈকিম অমসুং গ্রেস চিনহোয়নিয়াননা মেম্বরশিং ওইখি। হায়রিবা লোক অদালট অসি মসলসাগা খূৎশম্নদুনা অয়ুক পুং ১০.৩০দগী হৌরগা নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা চথখিবনি হায়রি।

হায় কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন দিসমিস তৌখিববু শীংনবা আপীলগী ...

লামায় ১গী মখা... লাউথোকখিববু শীংনরদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদু হায় কোর্টনা লৌখৎখি। রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ খক্তা নত্তনা অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট (নম্বর ২) অমসু কোনশিন্দুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী হিয়ারিং থেঙ্খাং নাইনা কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ১০, ১১, ১৪, ওক্টোবর ৫, ৯ অমসুং ১৬তা পাঙথোক্লগা হিয়ারিংগী অরোইবা নুমিৎ অসিদগী রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা মার্চ ১, ২০২১দা লাউথোকখিবনি।

লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মতাংদা পীখিবা পূন্না লমায় ৬২ পানবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারনা পাঙথোকখ্রিবা ইলেক্সন অদুদা মীরেপ ওইবগীদমক পীশিল্লকখিবা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা ফোর্ম নম্বর ২৬তা মেনশিনগদবা ৱারোলশিংদা মহাক্কী মরমদা মেটরিএল ফেক্টশিং লোৎশিনবা লৈতে হায়খিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী ৱায়েল চথনবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ফ্রেম তৌখিবা ইস্যুশিংগী মনুংদগী ইস্যু নম্বর ২২গী মতাংদসু ইলেক্সন পিটিস্নরগী মায়োক্তা নেগেটিভ ওইবা পাউখুম পীখি। অদুগা ইস্যু নম্বর ২২ অমসুং ২৩গী মতাংদদি নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদেভিটকী ফোর্ম নম্বর ২৬তা মেনশিনবগী মথৌ তাদে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

লোয়ননা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১বু হায় কোর্ট ওফ দেল্লীনা অকক্লবা কেস অমদগী এক্যুইট তৌরকখিবগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌখিবা অদু পন্দুনা লৈরি হায়বা ৱাফমদুদি ফোর্ম নম্বর ২৬তা মেনশিনগদবা ৱাফমশিংগা মরী লৈনদে হায়খি। মরমশিং অসিনা পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরম্বা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদু দিসমিস তৌরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিদা পেন্দ্রবা পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা মহাক্কী পিটিসনগী মতাংদা পীরক্লিবা ওর্দর অদুবু শীংনরদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা সিভিল আপীল নম্বর - ১০৯২ ওফ ২০২১ ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌখিবনি। মহাক্না এপেক্স কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবা সিভিল আপীল অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংনা টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনি।

এপেক্স কোর্ট অসিনা পিটিস্নরগী সিভিল আপীল অদু লৌখৎখিবগা লোয়ননা এপ্রিল ১৬, ২০২১দা জষ্টিস রোহিন্তোন ফালি নরিমান অমসুং জষ্টিস রিসিকেস রোয়গী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখিবনি। লোয়ননা সিভিল আপীল অসিগী ৱায়েল চথনবগীদমক মসিগা মরী লৈনরিবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখিবনি। অদুবু এপেক্স কোর্ট অসিনা সিভিল আপীল অসিগী ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং অদুগী মতুংইন্না রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগীসু পীখৎফম থোকপা মখোয়গী এফিদেভিটনচিংবা পূম্নমক কোর্ট অসিদা সবমিট তৌনরকখিবদগী লাক্লিবা থা অসিগী ১৩দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা মার্চ ১, ২০২১দা পীখিবা জজমেন্ট অমনা দিসমিস তৌখিবগী ওর্দর অদুবু শীংনরকখিবা মেট্টর অসিগী হিয়ারিং পাঙথোক্নবা লেপখ্রে। নুমিৎ অসিগী সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস রোহিন্তোন ফালি নরিমান অমসুং জষ্টিস বি আর গভাইগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৯দা মেট্টর অসি লিষ্ট তৌখ্রে। লোয়ননা নুমিৎ অসিদা আপ্পীলেন্ট ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী সিভিল আপীল অসিগী হিয়ারিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা হিয়ারিং অসিদা আপ্পীলেন্টকী মায়কৈদনা কাউন্সেল কাউসিক চৌধুরিনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা অরুন কে সিনহানা লুচিংবা কাউন্সেলশিংনা লেপকদৌরি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসমিস তৌখিবা আপ্পীলেন্ট অসিগী ইলেক্সন পিটিসন অদুগী চথখিবা হিয়ারিংদনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এস এস দেনা লেপ্লগা কাউন্সেল এ মোহেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অয়াংলৈমনা এসিষ্ট তৌখিবনি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপ্লগা কাউন্সেল গুনেধোর অমসুং কাউন্সেল এস গুনবন্তনা এসিষ্ট তৌখিবনি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ১৩দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা সিভিল আপীল অসি লৌখৎতুনা খন্নরগা নুমিৎ অসিদা আপ্পীলেন্ট অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংগী মরাইবক করি ওইরক্কদগে হায়বদু লেপথোকপা ঙল্লবা য়াই থাজনরি।

কোভিদকী লাইচৎ মনুংসিদা রি-প্রদক্টিভ হেল্থতা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরি। কন্ত্রসেপটিভকী সপ্লাই চেনদা অকায়বা পীরকপনা মরম ওইদুনা অনপ্লান প্রেগনেন্সিসগী চাং ৱাংখৎলকপা, টিকা থাবা অমসুং অঙাং উনবগা মরী লৈনবা লায়েংবগী খুদোংচাবা খুদিংমক মতমচানা ফংলক্তবা কয়া অসিনা মমা অমসুং অঙাশিংগী চাং ৱাংলকপা। অমুকসু লাইচৎ মনুংসিদা নুপীশিংবু ওৎপি নৈবিবা, তাথি তাওইনা তৌবগী চাং ৱাংখৎলকপা ময়াম অসিনা ঙসিদি হোংলক্লিবা খোঙজেল অসিদা মীৎয়েং থম্লক্তবা য়ারক্ত্রে। য়ু এন এফ পি এনা মার্চ ২০২১ দা ফোংবা রিপোর্ট অমনা লাইচৎ অসিগী মনুংদা নুপী মিল্লিয়ন ১২ হেন্না ফেমিলি প্লানিংগী দরকার ওইবা সার্ভিস ফংহনখিদ্রে হায়রি।

ফেমিলি প্লানিং অমসুং রিপ্রদক্টিভ হেল্থকী সার্ভিস নিংথিনা ফংহনবনা অঙাং পোকপা থেংথহল্লি। লোয়ননা অঙাং মশীংসু হন্থহল্লি। অমরোমদা চাবোক্কী চাং হেনগৎপনা মীওইবগী মরুওইনা নুপীশিংগী হক খোঙ্গাওনহল্লি, সোসল ক্রাইম ময়াম অমসু থোকহল্লি। মরম অসি লৈবনা মীপুম খুদিংমক রিপ্রদক্টিভ হেল্থ অমসুং মশাগী মরু ওইনা নুপীশিংবু মনীংতম্না ফেমিলি প্লানিংগী দিভাইস খঞ্জনবগী হক খঙহনবগী মথৌ তারকই। পান্দম অসি ফংনবগীদমক নুপীশিংবু মহৈ মশীং, শেল থুমগী, ৱায়েল থৌদাগী শক্তিশিন্নবগা লোয়ননা মশানা অপান্বগী মতুং ইন্না মশাগী হকচাংগী ফীভম অমসুং চাবোকপগা মরী লৈনবা খুদিংমক মরোমদোম ৱারেপ লৌজনবগী তঙাইফদবা লৈবনা হন্দক চহীগী থিম অসিদা পালন অসি পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মালেমদা মীশিং হেনগৎলকপগী খোঙজেল অসি অহানবদি অসুক্কি মতিক তপ্লন্মী অদুবু মমৈথংদদি পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা অমা ওইরকখি। খৃ:না হৌরকপা চহী চাদা ফাওবদা শুপ্নদগী মী মিল্লিয়ন ২৩০ খক্তমক লৈরমবদগী কুমজা ১৮০৪ দা ১ বিল্লিয়ন শুখি, কুমজা ১৯২৭ দা বিল্লিয়ন ২ শুখি। শুপনদগী চহী ৩৩ দা বিল্লিয়ন ৩ কুমজা ১৯৬০ দা শুখি। অমুকসু চহী ১৪ দা বিল্লিয়ন ৪ কুমজা ১৯৭৪ অদুগা ৫ বিল্লিয়ননা কুমজা ১৯৮৭ দা শুখি। হৌজিক হৌজিক বিল্লিয়ন ৭.৯ শুরে অদুগা কুমজা ২০২৪ দা বিল্লিয়ন ৪ শুগনি হায়না পানরি।

মালেমদা চহী খুদিংগী মী মিল্লিয়ন ৪১ নৌনা হেনগত্তুনা হেনগৎপগী চাং অসি ১.০৫ ওইরি। মসি য়াম্না ৱাংবা চাংনি। ষ্টেবল পোপুলেসন অমা পুরকনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী ওইনসু মীশিং বিল্লিয়ন ১.৩৭ শুখিবগা লোয়ননা মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি চাদা ০.৯৯ ওইরি অদুগা মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০২০ দা মী লাক্ষ ৩১ শুখিবগা লোয়ননা মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি চাদা ২.৪৫ ওইরি। মসি য়াম্না কিনিংঙাই ওইবা চাংচৎনি।

মণিপুরগী ওইনসু কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মীওই লিশিং ৭৬ হেন্না নাহনবগা লোয়ননা মীওই ১২৫৮ হেন্না শিহনখ্রে। টেষ্ট পোজিটিভ রেটসু য়াম্না ৱাংনা চাদা ১২গী মথক্তা চাংচত্তা চৎলি। থা কয়া লিশাংশিৎনা লোকদাউন অমসু কর্ফিয়ু থমজিল্লকপনা মীয়াম্না খমথেংনা অৱাবা কয়া মাইয়োক্নরি। লায়না অসিগী লাইয়েংনবগীদক নত্তনা মরু ওইনা মমা অমসুং মচাশিংনা চাং নাইনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা টিকা থাবা অমসুং অঙাং উনবগা মরী লৈনবা লাইয়েংবদা খুদোংচাদবা কয়া মাইয়োক্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।



HIV IS TRANSMITTED THROUGH

Unprotected sex with an HIV infected person.

Sharing of HIV infected needles & syringes.

From HIV infected mother to her baby.

Transfusion of HIV infected blood or blood products.

Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society

রিজাইন তৌখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বা ৩গী লাইবক ...

লামায় ১গী মখা... হায়রিবনি।

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা এস সুভাসচন্দ্রনা রেজিগনেসন লেট্টর পীশিনখিবগুম্না টি থাংজালম হাওকিপ (টি টি হাওকিপ) অমসুং সাম্যুএল জেন্দাইনসু মখোয়গী রেজিগনেসন লেট্টরশিং স্পিকরদা পীশিনখি হায়রিবনি। অদুগা এম এল এ ওইরম্বা মীওই অহুম অসিনা পীশিনখিবনি হায়বা রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদুবু স্পিকরনা অয়াবা পীরদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা বুলেটিন (বুলেটিন পার্ট ২) নচিংবা থোক্তুনা অয়াবা পীখিবনি।

স্পিকরনা থোকখিবা মখোয়গী রেজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীবগী বুলেটিনশিং অদুবুসু মণিপুর গেজেট নোটিফিকেসন্দা ফোঙখিবনি। অদুগা হায়রিবা বুলেটিনশিং অদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থোকখিবনি। অদুম ওইনমক রেজিগনেসন লেট্টরশিং পীশিনখিবনি হায়রিবা বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বা মীওই অহুম অসিনা মশা মশামক্না পিটিস্নরশিং ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসনশিং ফাইল তৌরক্তুনা মখোয়গী রেজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অহুম্মক্না ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মখোয়না পীশিনখি হায়রিবা রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২০৮ অমসুং আর্টিকল ১৯০ (৩) (বি) গী মতুংইন্না শেম্বা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী রুল ৩১৫ (৩) অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিজর ইন রিগর্দস ওফ মেম্বরস রেজিগনেসন এন্দ ভেকেসন ওফ সিটস ইন দি হাওস হায়বশিং অসিনা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদু চুম্বা নৎত্রগা লানব্রা হায়বগী ভেরিফিকেসন পাঙথোকখিদে। লোয়ননা পীশিল্লকই হায়রিবা রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদু মখোয় মশা মশানা ভোলুন্টরি ওইনা সবমিট তৌব্রা নৎত্রগা তৌদ্রা অমসুং করিগুম্বা সবমিট তৌরম্লম্বা তারগনা প্রেসর লৈবদগী নৎত্রগা কিহন-খংহনবা পোকহনবদগী তৌরিব্রা হায়বনচিংবগী মতাংদা পাঙথোকফম থোকপা ভেরিফিকেসনগী থবক অমত্তা পাঙথোক্তনা খুদক্তা অয়াবা পীথোকখিবনি। মরম অসিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকরনা রেজিগনেসন লেট্টরশিংনি হায়রিবা পিটিস্নর অহুমগী চেরোল অদুবু অয়াবা পীথোকখিবা থৌওং অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা মরী লৈনবা আর্টিকলশিংগী প্রোভিজনশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিজরশিংগী ৱাংমদনি। মরম অদুনা পিটিস্নর অহুমগী রেজিগনেসন লেট্টরশিংনি হায়রিবা চেরোলশিং অদুবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরশিং অদু চৎনহনবীগনু হায়রকখিবনি।

পিটিস্নর অহুমনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিংনা মথংশিংনা এস সুভাসচন্দ্রগী - দব্লিয়ু পি (সী) ৪৩৩ ওফ২০২০, টিথাংজালম হাওকিপগী দব্লিয়ু পি (সী) ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং সাম্যুএল জেন্দাইগীনা দব্লিয়ু পি (সী) ৩৯৬ ওফ২০২০নি।

পিটিস্নর অহুমনা মখোয়গী পিটিসনশিং অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকর অমসুং মহাক্কী সেক্রেটরি য়াওনা অতোপ্পা মরী লৈনবা মীওইশিংবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্তুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নর ৩না মখোয়গী পিটিসনশিং অসি ফাইল তৌরকখিবদগী মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মায়কৈদগীসু পিটিস্নর অহুমগী পিটিসনশিং অদুগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয় পি-সী) শিং ফাইল তৌরক্তুনা মখোয়গী ওইবা ৱাকৎশিংসু হায় কোর্টতা ফোঙদোরকখিবনি।

লোয়ননা পিটিস্নর অহুমগী সিভিল রিট পিটিসনশিং অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেসশিং অদুবু কোর্ট অসিদা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদা লৈবাক অসিগী শক্তাইরবা সিনিয়র কাউন্সেল কপিলসিবল ফাওবনা কোর্টতা অর্গ্যুমেন্টশিং সবমিসন তৌখিবনি। লোয়ননা পিটিস্নর এস সুভাসচন্দ্রগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল রোহিট কুমারনা এসিষ্ট তৌখি।

টি থাংজালম হাওকিপকী মায়কৈদনা কাউন্সেল ডা. আর কে দিপকনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল মহেশ অঙোমনা এসিষ্ট তৌখি অদুগা পিটিস্নর সাম্যুএল জেন্দাইগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এ অরুনকুমার অমসুং এস গুনবন্তনা এসিষ্ট তৌখিবনি।

লোয়ননা কেসশিং অসি কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েলশিং থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লবা মতুংদা দিসেম্বর ১৮, ২০২০দা কেসশিং অসিগী অরোইবা ৱায়েল চথরগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা কেস অহুমসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থা অসিগী ১৩দা লাউথোক্নবা লেপখ্রে। নুমিৎ অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নত্তবা ১, ২ অমসুং ৩দা কেস অহুমক্কী অরোইবা ৱায়েল লউথোক্নবগীদক লিষ্ট তৌখ্রে। নুমিৎ অসিদা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লাউথোরকপা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বা পিটিস্নর অহুমগী মরাইবক ল্লেগনি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (MINISTRY OF CORPORATE AFFAIRS, GOVT OF INDIA)
AVIATION COURSE, SPOKEN HINDI, SPOKEN ENGLISH, COMPUTER (NIELIT) & STOCK MARKET
Dedicated Service since 2001 till date.
ADMISSION OPEN FOR ONLINE COURSE

Sl.No.	COURSE NAME	DURATION	COURSE FEE
1	DCA	6 Months	Rs. 2000/-
2	CCC	2 Months	Rs. 1500/-
3	OFFICE AUTOMATION	2 Months	Rs. 1500/-
4	TALLY with GST	2 Months	Rs. 1500/-
5	PROGRAMMING C	1 Months	Rs. 1500/-
6	PROGRAMMING C++	2 Months	Rs. 2000/-
7	SPOKEN ENGLISH	2 Months	Rs. 1500/-
8	SPOKEN HINDI	2 Months	Rs. 1500/-
9	STOCK MARKET & TRADING	2 Months	Rs. 15000/-

For More Details Please Contact :- ✆ +91 70056 22203 / ✆+91 88374 07726
1/2 persons online Spoken English class AVAILABLE.
Kingdom Educational Institute,
Old Lambulane, Jail Road Opp. GP Women's College
Imphal - 795001
HL-B/6865/7,9,11,13